# অনীশুবা এম এন সি এ অন্দর–১৬ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টদা মোদেল ক্লব অমদি ৱাই য়ু সি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৪ দগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা টিম ১৪ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা এম এন সি এ অন্দর–১৬ বোইজ নাওরেম রাজ নিংথৌ সিংহ নীংশিং ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমদি ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেল মায় পাকখ্রে।



ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরী স্কুল/ ওরেয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দগী ১৮ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–বিগী ব্লু হোক খুরাই অমদি মোদেল ক্লব চীংঙামখানা শান্নখিবা মেটচতা মোদেল ক্লবনা ব্লু হোকপু রন ২৮৪ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ব্লু হোক খুরাইনা তোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না খনবদা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ৩১২ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ব্লু হোক খুরাইনা ওভর ১০.৪ দা ৱিকেট ১০ মক অউট ওইরগা রন ২৮ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ২৮৪ দা মায়থিবা নঙখি।

মোদেল ক্লব চিংঙামখাগী বেট্টিংদা সুসোননা নোট আউটতা বোল ৫১ দা রন ১০৫ , অবিজেননা বোল ৫০ দা রন ৬৪, গ্রিনসননা বোল ৪৪ দা রন ৫০ অমদি ইসাননা নোট আউটতা বোল ২১ দা রন ৩৪ লৌখি। ব্লু হোক খুরাইগী বোল্লিংদা বিদিয়াশাগর, জাকির, বিজয় অমদি নিখিলনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ব্লু হোক খুরাইগী বেট্টিংদা মঙালনা রন ৪, সারিফনা রন ৪, বিদিয়াশাগরনা রন ২, ফার্দিনানা রন ২ অদুগা অতোপ্পা বেষ্টমেন ৭ অদুনা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

মোদেল ক্লব চীংঙামখাগী বোল্লিংদা অবিজেননা ওভর ১.৪ দা ৱিকেট ৪, ইশাননা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩, সুসোননা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অমদি গ্রিনসননা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাগী নোট আউটতা রন ১০৫ অমদি ৱিকেট ২ লৌখিবা সুসোননা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি এম অবুংচা অমদি যুগেননা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দগী ১৯ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–এগী মেটচতা পি সি সি ময়াইকোইবী অমদি ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাইনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই য়ু সি সিনা পি সি সিবু রন ১৭৭ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেলনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ২৩৩ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা পি সি সি ময়াইকোইবীনা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ৫৬ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ১৭৭ দা মায়থিবা নঙখি। ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলগী বেট্টিংদা কদমজিনা নোট আউটতা বোল ৩২ দা রন ৫৭, বিদিয়াশ্বরনা বোল ৩২ দা রন ৩৭, রোহিটনা বোল ২৪ দা রন ২৬, থোঙম্বানা রন ১৮ অমদি মেক্সনা রন ১৬ লৌখি।

পি সি সি ময়াইকোইবীগী বোল্লিংদা থিমিসননা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২, অজেনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ অদুগা অঞ্জান অমদি লকিনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

পি সি সি বেট্টিংদা থিমিসননা রন ১৩, বিকাসনা রন ১১, প্রসান্তনা রন ২, অকসেনা রন ১ অমদি প্রবিননা রন ১ লৌখি। ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলগী বোল্লিংদা পূন্সিবনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ৩ অমদি দেবরাজনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই য়ু সি সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলগী নোট আউটতা বোল ৩২ দা রন ৫৭ লৌখিবা কদমজিৎনা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি কেএসঐচ কিরন অমদি রাশিকুমারনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং মোদেল হয়ার সেকেন্দরী স্কুল/ওরেয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দা গ্রুপ– এগী কে সি দি ও কোংপাল অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নরগনি।

# খুরাই পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি (সি) সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন (এ এম পি এ)না শীন্দুনা মমাঙ থা ২৭ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা টিম ২৬ না নোক আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৬ শুবা ষ্টেট মেন'স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা খুরাই পোলো ক্লব অমদি এম পি এস সি (সি) মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি টুর্নমেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা নগামপাল পোলো ক্লব অমদি খুরাই পোলো ক্লনা শান্নখিবা মেটচতা নাকল অনীমক্লা অপীবা চক্কর লোয়বা ফাওবা পাঞ্জল ৩–৩ দা মান্না লৈবদগী অহাপ্পা চক্কর শান্নখিবদা খুরাই পোলো ক্লবনা নগামপাল পোলো ক্লবু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা খুরাই পোলো ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমদি অহাপ্পা চক্করদা পাঞ্জল অমমম চনখি। মায়থিরবা নগামপাল পোলো ক্লগী পাঞ্জলশিং অদুনা অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অদুগা অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ চনখি।

খুরাই পোলো ক্লবকী অনীশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলদু জর্সি নম্বর ১ এ রঞ্জননা মিনিট ৪.১২ দা, অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৩ এস জেমসননা মিনিট ০.৩৭ দা, মরীশুবা চক্করগী পাঞ্জলদুসু এস জেমসননা মিনিট ০.৩১ অদুগা অহাপ্পা চক্করগী পাঞ্জল অদু এস জেমসননা মিনিট ১.৩৫ দা চনখি। নগামপাল পোলো ক্লবকী অনীশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ বিলামনা মিনিট ১.১৯, জর্সি নম্বর ৪ মোচানা মিনিট ৫.২১ দা অমদি অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ২ উমেস গুরুংনা মিনিট ৩.৪৬ দা চনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি এম পি এস সি (সি) অমদি চিঁঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) কোংপালনা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সি (সি)না চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ)বু পাঞ্জল ৬–৫ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা এম পি এস সি (সি)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৩ অদুগা অহুমশুবা অমদি অরোয়বা মরীশুবা চক্করদা পাঞ্জল অমমম চনখি। মায়থিরবা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) কোংপালগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অমদি অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ চনখি।

এম পি এস সি (সি)গী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ টিঐচ রঞ্জিৎনা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ১ এম জৱাননা পাঞ্জল ৩ অদুগা জর্সি নম্বর ২ এস অবুংচানা পাঞ্জল ১ চনখি। চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব (এ) কোংপালগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২ এ বাসন্তনা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ৫ এল থোমসননা পাঞ্জল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৩ লৈশেম্বনা পাঞ্জল ১ চনখি।

হয়েং অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা এম পি এস সি (বি) অমদি সি আর পি এফনা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা মরীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা পেরেদাইজ পি সি অমদি থৌবাল পি সিনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# মেদল লৌরকখ্রবী য়াইখোম্বী অমদি দিনেশ্বরী তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ য়ুনাইটেদ অরব ইমাইরেট (য়ু এ ই)গী ফুজাইরদা চহী অসিগী জনুৱারী ৩১দগী ফেব্রুৱারী ২ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা ফুজাইরা ওপন ২০২০, জি–২ ইন্টরনেস্নেল টাইক্কুন্দো চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবশিং অমদি মেদল লৌরকখ্রবী শাপম য়াইখোম্বী অমদি খ্বাইরাকপম দিনেশ্বরী ঙসি সি টি আই শাগোলবন্দ অমদি মীয়াম্না শীন্দুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

শাপম য়াইখোম্বীনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা কেদেট (চহী ১২ দগী ১৩ ) গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখি। য়াইখোম্বী শাগোলবন্দদগী শাপম যশোবন্ত অমদি শাপম ওঙবী থোইথোইগী মচানুপীনি।

অদুগা খ্বাইরাকপম দিনেশ্বরীনা জুনিয়র ( চহী ১৪ দগী ১৭ )গী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল লৌরকখি। দিনেশ্বরী অৱাং সেকমাইদগী খ্বাইরাকপম তম্ফাজাউ অমদি খ্বাইরাকপম ওঙবী জামিনি দেবীগী মচানুপীনি।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নরোই ৪৭ না শরুক য়াখিবদা মণিপুরদগী শান্নরোই ১১ শরুক য়াখি।

# গোল্ডন এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ দি এস ইন্টরপ্রাইজেস কৈশামথোং ইরোম পূখ্রিনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুঠ ইন্দ্রিগেসন ক্লব ( ৱাই আই সি) কৈশামথোং মনিং লোঙজম লৈকাইনা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৯ দগী ৱাই আই সিগী গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা হৈস্নাম নিলকমল নীংশিং অন্দর ৪০ কেজি ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা গোল্ডন এফ সি পেলেস কম্পাউন্দনা এন এস ও হৈনৌখোংনেম্বীবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা গোল্ডন এফ সিগী য়োহেনবনা তাখি।

অনীশুবা মেটচতনা এম এস সি ঙানপীথোংনা ঐচ এল এফ সি হোদাম লৈরকপু ৪–০ দা থোয়খি। মেন ওফ দি মেটচনা এম এস সিগী বোবোসনা তাখি।

৩ শুবা মেটচতনা এন এফ এ ৱাঙ্খেনা ফাইব ব্রাদরস ককৱাবু ২–১ দা থোয়খি। মেন ওফ দি মেটচনা এন এফ এগী মজাইবুংঙোনা তাখি।

৪ শুবা মেটচ ওইনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম অমদি কে আই ৱাই সিনা শান্নগদবা মেটচতা কে আই ৱাই সিনা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইনা ৱাক ওভর ফঙখ্রে।

# এস সি সি সি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা মমাঙ থা ২২ দগী টিম ১০ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৩শুবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০দা এস সি সি সি শিংজমৈ ফাইনেলগীদমক লম্বা ঙাইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নখিবদা এস সি সি সি শিংজমৈনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৫২ লৌখি।মসিগী পাউখুমদা এস সি সি সিনা ওভর ১৬.৫ তা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১৫৫ লৌদুনা মায় পাকখি।

লংথবালগী বেট্টিংদা প্রকাস মনিনা রন ৬৪, দিনাচন্দ্রনা রন ৩৮ অমদি বিক্রমদা রন ২৫ লৌখি। এস সি সি সিগী বোল্লিংদা সনানা ৱিকেট ২ অদুগা বোরিস অমদি পিঙ্কিনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

এস সি সি সিগী বেট্টিংদা উলেনয়াইনা রন ৫৭, সন্ধিপনা রন ৩৪ অমদি ননাওনা রন ৩০ লৌখি। লংথবালগী বোল্লিংদা কিসন অমদি প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা এস সি সি সি শিংজমৈগী বোল ৪৭ দা রন ৫৭ লৌখিবা উলেনয়াইনা তাখি।

হয়েং অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও অমদি অল অমিন লিল্লোংগা শান্নরগনি।

# তোপ এফ সি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ ও কে এস য়ু নিংথেমচা খূল য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৭ তগী টিম ২৪ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা ও এন ৱাই সিগী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা অনীশুবা ও এন ৱাই সি ট্রোফি ২০২০ লমলাই কেন্দ্র ৱিদ ইনভাইটিস ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা তোপ এফ সি য়াইরিপোক, বি এস য়ু নোংপোক ককচিং অমদি তেলৌ এফ সি মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নখিবদা তোপ এফ সি য়াইরিপোকপা সেক্তা (বি) বু গোল ৬–২ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা তোপ এফ সিগী গোলশিং অদু অমরজিৎনা ৩, বিনালনা ২ অদুগা জেমসননা ১ চনখি।

অনীশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা শান্নখিবা মেটচতা বি এস য়ু নোংপোক ককচিংনা এ এন ৱাই সি অৱাং ঙাইরাংবমবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা বি এস য়ুগী গোলশিং অদু হেরোজিৎনা ২, কান্তনা ২ অদুগা বিক্রম অমদি দয়ানা অমমম চনখি।

অহুমশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদনা তেলৌ এফ সিনা লমলাই এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু রাকেসনা গোল ২ মক চনখি।

# গোল্ডন গার্লস চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড মেদালিষ্ট ইথোইবী চনুবু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা জনুৱারি ৩১ দগী ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবা স্বিদেনদা পাঙথোকখিবা গোল্ডন গার্লস বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ, ২০২০ দা গোল্ড মেডল ফংলকখিবী ৱাংজম ইথোইবী চনুবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা তরাম্না ওকখ্রে।



ময়াং ইম্ফালদা লৈবা সারিতা রিজনেল বোক্সিং একাদমীদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরমদা ৱাংজম ইথোইবীদা নত্তনা হন্দক্তা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসতা গোল্ড মেডল, সিলভর মেডল অমদি ব্রোঞ্জ মেডলনচিংবা ফংলকখিবা অমদি শরুক য়ারুবা নুপী বোক্সরশিংবু দিপ্যুটি স্পিকর রোবিন্দ্রানা শেলগী মনা পীদুনা হরাউ তয়াম্না ওকখি। মখোয়বু বোক্সিং তাকপী তম্বীবগী থবক তৌরিবা সারিতি রিজনেল বোক্সিং একাদমীগী ওজাশিংবুসু শেলগী মনা খুৎশিন্নখি।

স্বিদেনদা পাঙথোকপা গোল্ডন গার্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেডল ফংলকখ্রবী ৱাংজম ইথোইবী চনু ময়াইইম্ফাল অনি লোংবীদগী ৱাংজম সুনিলগী মচানুপীনি। ইথোইবী হন্দক্তা গুৱাহিতিদা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসতা মণিপুরগী ওইনা সিল্ভর মেডল ফংলকখিবনি।

মহাক খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসতা ফাইনেল চংলবসু স্বিদেনগী চেম্পীয়নশিপ অসিগা মতম ফাংজিন্নরকপদগী খেলো ইন্দিয়াদা ফাইনেল শান্নরমদনা চৎখিবনি। গেমস অদুদা মহাক্না ফাইনেল শান্নরব্লবদি মণিপুরগী গোল্ড মেডল অমা হেনগৎলম্বা য়াই হায়না পান্নরিবনি।

শান্নরোইশিং অদুবু ওক্লদুনা দিপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা হায়, ময়াংইম্ফাল এ সিগী মনুংদা লৈরিবা শান্নরোইশিংনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা চেম্পিয়নশিপ নৎত্রগা কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াবা চৎপা মতমদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা শেলগী মতেং পাঙদুনা লাক্লি মখা তানসু পাঙখিগনি হায়খি।

লমদম অসিদগী হৌখিবা শান্নরোইশিংনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মেডল কয়া ফংলক্তুনা ময়াংইম্ফালগীদা নত্তনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগীদমক মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়খি। লমদম অদোমগী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনসু কন্না হোৎনবীদুনা অফবা শান্নরোই পুথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

মমাংথক্তা মপান লমদা শান্নবা চৎপা মতমদা শেল লৈতবদগী চৎপা ফংলরোইদ্রা হায়বগী থৱায় ৱানা লৈরম্বা শান্নরোইশিং থেংনবদগী খুদক্তা মতেং পাঙদুনা মপান লমদা শান্নবা থাখিবগী থৌদোক দিপ্যুটি স্পিকরনা মীয়ামদা নিংশিংখি।

# এস কে ৱাই সি খূঞ্জাওনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ শাওম্বুং ষ্টুদেন্স ক্লবনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২১ দগী এস এস সি প্লে গ্রাউন্দ শাওম্বুংদা টিম ৮ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা শাওম্বুং কপ ১৩শুবা ইন্টর শাওম্বুং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ৱিন্নর এস কে ৱাই সি খূঞ্জাওনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি এস কে ৱাই সি খূঞ্জাও অমদি পুপু পুঙদোংবমনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস কে ৱাই সিনা পুপুবু কিক ফোম পেনাল্টি মাকত গোল ৬–৫ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখি।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী মিনিট ২২ দা এস কে ৱাই সি খূঞ্জাওগী জর্সি নম্বর ১০ সোমোকান্তনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৪৮ চৎপদা গোল শোত্থরিবা পুপু পুঙদোংবমগী জর্সি নম্বর ৯ সনামচানা গোল হন্দোক্তুনা অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবা গোল ১–১ দা মান্না লৈবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফোম পেনাল্টি মাক কাওনবদা এস কে ৱাই সিনা পুপুবু গোল ৬–৫ দা মায়থিবা পীখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা এস কে ৱাই সি খূঞ্জাওদা শেল ওইনা লিশিং ৩০ অমদি রন্নস অপ তাখ্রবা পুপু পুঙদোংবমদা শেল ওইনা লিশিং ২০গী মনা খূৎশিন্নখ। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা এস কে ৱাই সি খূঞ্জাওগী সি পি থিয়োফিলুস, তোপ স্কোলরনা রেফ্রি এলবেনগী এ দিলিপ, বেষ্ট গোলকিপ্পরনা এ এন এন এল কে শাওম্বুংগী টি এলিসন, বেষ্ট মিডফিল্ডরনা এস এস ৱাই সি শাইরেমগী পালমৈনা অদুগা বেষ্ট দিফেন্দরনা পুপুগী আই পারিতোননা তাদুনা শেল ওইনা লিশিং ২ /২ গী মনা খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা লমলাই কেন্দ্রগী এম এল এ , কেএসঐচ বিরেন সিংহ, ৱাইতোন জিপিগী প্রধান পুখ্রবম সুরবলা অমদি ইচমগী এডভাইজর এন রাজেন্দ্রোনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# এম এল ঐচ য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোক্কিগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহনলূপনা শীন্দুনা থা অসিগী ২ দগী নুপামচাগী টিম ১০ না গ্রুপ–২ অদুগা নুপীমচাগী টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা কোন্থা অহনলূপ্তা লৈবা ইপূথৌ মারজিংগী গ্রাউন্দা চথরিবা ৮ শুবা য়ুম্নাম রাজমনি নীংশিং অন্দর–১৪ বোইজ অমদি অন্দর–১৭ গার্লর্স সবেন এ–সাইদগী টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচা অন্দর–১৫গী মেটচশিংদা ময়াই লম্বী হোক্কি য়ুনিয়ন ( এম এল ঐচ য়ু)না মৈরা বাশিখোংবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

নুপামচাগী অনীশুবা মেটচতনা বিষ্ণুপুর হোক্কিনা সিও শিংজমৈবু য়াম লাকচন্না গোল ১৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

নুপীমচাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মৈরা বাশিখোং অমদি সি ও শিংজমৈ গোল ২–২ দা ড্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচতনা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খূনৌনা বিষ্ণুপুর হোক্কীবু ৮–১ দা মায়থিবা পীখি।

# কুকি স্পোর্টিং ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা জিরি কপ ইনভাসটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কুকি স্পোর্টিং ক্লব রানিভেঙনা য়ু জে বি হমারখোলেনবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচকী মিনিট ১৮ চৎপদা য়ু জে বি হামরখোলেনগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ২৩ লালহমাঙাইনা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল শোত্থরিবা কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরকপদগী মেটচকী মিনিট ৪১ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৭ কে মিঙথাঙনা হন্দোক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা কুকি স্পোর্টিং ক্লব রানিভেংগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা শান্নরকপদগী মেটচকী মিনিট ৫০ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১৬ লেনমিনথাংনা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারকখি।

য়ু জে বি হামরখোলেনগী মায়কৈদগীসু শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ৬৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৩ নেহেমাইনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা ২–২ দা মান্ননা লৈন্নখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি লোয়রমদাই মিনিটশিংদা কুকি স্পোর্টিং ক্লব রানিভেংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকশিন্না শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ৮২ চপিদা টিমসিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৫ জেকোবনা চন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি। শান্নখিবা মেটচকী অপীবা মতম লোয়বা ফাওবা য়ু জে বিনা গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি কুকি স্পোটিং ক্লব রানিভেংনা য়ু জে বি হামরখোলেনবু মায়থিবা পীখি।

হয়েংগী মেটচতা হামর মাঙ্গোলোইদ এফ সি অমদি পি এফ সি ফাইতোলগা শান্নগনি।




"8th B' day"
Birthday
"05th Feb 2020"

HAPPY BIRTHDAY
TO DEAR
LEITANTHEM LENCY CHANU
D/O
L. KIRANKUMAR & L. LATA
POROMPAT THAWANTHABA
LEIKAI

Best Wish from Papa ,Mama, Family & Relatives.

SL/5804/ 5


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com